# ম্যান্মার লোকেল জর্নেলিষ্ট অমা ফাজিনখ্রে ফাজিনখিবা জপানিজ রিপোর্টর থাদোক্লগনি



নেপিদো, মে ১৪ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারদা হৌজিক লৈরিবা মিলিটরি গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা পাউ কয়া ইরুববগীদমক ম্যান্মার লোকেল জর্নেলিষ্ট অমা মিলিটরিনা ফাজিনখিবগা লোয়ননা চহী ৩ গী জেলগী ফাদোক পীখ্রে হায়রি। অদুগা হান্না ফাজিন্দুনা লাকখিবা জপানিজ রিপোর্টর অমা অথুবদা থাদোক্লগনি হায়রি।

ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিনখ্রবা লোকেল জর্নেলিষ্ট মিন য়ো ম্যান্মারগী বাগো রিজনদা লৈবা দিমোক্রেটিক ভোইস ওফ বর্ম্ম (দি ভি বি) দা থবক তৌবনি। মহাক হৌখিবা মার্চথাগী তাং ৩ দা মিলিটরিনা ফারবা মতুং মরাল লৈরে হায়না মিলিটরি কোর্ট অমনা লাউথোকখিবনি।

দি ভি বিনা ফাজিনখিবা জর্নেলিষ্ট মিন য়োবু থাদোরক্লবা মিলিটরি ওথোরিটিশিংদা অকনবা মওংদা তক্লদুনা লাক্লি। অমদি মিন য়ো নত্তবা অতোপ্পা ফাজিন্দুনা লৈরিবা জর্নেলিষ্ট খুদিংমক থাদোরক্লবা হান্নদগী হৌনা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লিবনি। ফাদোক পীখ্রবা মিন য়োগী ইমুং মনুংনা ফোঙদোকখিবদা জেলদা মহাকপু পুলিসনা তাথি তাওইনা তৌবগী পাউ তারে অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মহাকপু উন্ননবা হোৎনবদা জেল ওথোরিটিশিংনা অথিংবা পীদুনা থল্লি। মিন য়োগী হকচাংগী ফীভম করম তৌরমগদগে হায়বা তম্বা ঙমদ্রে।

ম্যান্মারদা লৈবা যু এস স্পেসল রাপোর্টর টোম এঞ্জুনা ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিবু পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মালেমগী লৈবাকশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈশিল্লিবা অসি লাইবকথিবনি। মিলিটরি গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরি। মিলিটরিগী অশোয়বা ফোঙদোক্লুবশিং ফাগদবগী অমদি হাৎকদবগী তান্নদুনা লৈরি। মরম অদুনা মীয়াম্না মিলিটরিগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম মালেমগী মীয়ামদা ফোঙদোকপা ঙমদবগী ফীভম অমদা লাক্লে হায়রি।

অমরোমদা মিন য়োগা চপ মান্নবা কেসতা ফাখিবা জপানিজ রিপোর্টর য়ুকি কিটাজুমি ম্যান্মার মিলিটরিনা থাদোক্লগনি হায়রি। কিটাজুমি মিলিটরি গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা পাউ কয়া ইরুববগীদমক ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিনখিবনি। অনীরকশুবা ওইনা ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা জপানিজ জর্নেলিষ্ট অসি ম্যান্মার অমসুং জপান লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী লৈনবনা মরম ওইরগা থাদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি। পনবা য়াবদি হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী ম্যান্মারদা মিলিটরি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং মদুগী মায়োক্তা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক শিনবা থুংনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি।

# ইন্দিয়াদা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন সিটিজনশিং লৌথোক্লবগীদমক ফ্লাইট সার্ভিস রিজ্যুম তৌখ্রে

মেলবোর্ন, মে ১৪ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কা মরম ওইরগা ওষ্টেলিয়ানা ইন্দিয়া অমসুং লৈবাক অসিগা লৈনরম্বা ফ্লাইট সার্ভিসশিং মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌরবা মতুং ইন্দিয়াদা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন সিটিজনশিং লৌথোক্লবগীদমক অখন্নবা ফ্লাইট সার্ভিস অমা অমুক হন্না রিজ্যুম তৌখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর মেরিস পাইননা ফোঙদোকখিবদা ঙসিদগী হৌরগা সিদনিদগী ইন্দিয়া তম্না অখন্নবা ফ্লাইট অমা পাইখ্রে। হায়রিবা অখন্নবা ফ্লাইট অসিনা ইন্দিয়াগী কোনুং দেল্লীদগী ওষ্ট্রেলিয়ন সিটিজনশিং লৌখৎলবা মতুং থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অসিদা অমুক থুংলগনি।

ইন্দিয়াদা ওষ্ট্রেলিয়ন সিটিজনশিং লৌরুনবগীদমক পাইশিনখ্রবা এয়র প্লেন অদুদা লাইভ সেভিং ওক্সিজেন ইক্যুইপমেন্টসু য়াওরি হায়না নুপী মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদগী ওষ্ট্রেলিয়াদা থুংলবা মতুং পেসেঞ্জরশিং অদু হেল্থ ওফিসলশিংনা য়াম্না চেকশিন্না মোনিটর তৌরবা মতুং ক্বারেন্টিন তৌদুনা মতম খরা থমগনি। সেপেঞ্জরশিং অদু লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা হৱার্দ স্প্রিংদা লৈবা সেন্তর ফোর নেস্নেল রিজাইলেন্স ক্বারেন্টিন তৌদুনা থমগনি।

ক্বারেন্টিন তৌরিবঁগে মনুংদা পেসেঞ্জরশিং অদু পি সী আর অমসুং রেপিদ এন্টিজেন্ট টেষ্ট পাঙথোক্কনি। গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অসি ওষ্ট্রেলিয়নশিংগী খল্লগা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি।





ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভনা অকনবা চৈথেং পীরিবঁগে মরক অসিদা গভর্ণমেন্টকী তৌফম থোকপা মথৌ অমা ওইনা ইন্দিয়াদা পন্দুনা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন সিটিজনশিং লৌথোক্লবগীদমক অখন্নবা খোঙথাং অসি পায়খৎলকখিবনি।

অদুমওইনমক পেসেঞ্জরশিংদা মতম খরা হেল্থ ওফিসলশিংনা মোনিটর তৌবা মতমদা মীয়াম্না ৱাখল লান্না লৌদনবা অমদি ওফিসলশিংগী থবক থৌরমদা মতেং পাংশিন্নবা হোৎনগদবনি। ইন্দিয়াদা থেংনরিবা অনৌবা কোভিদকী ভেরিয়েন্ট অসি শন্দোকপগী চাং য়াম্না ৱাংবা অমদি মপাঙ্গল কনবা ভাইরস ওইবনা মরম ওইরগা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদগী হান্ননা থুংলখ্রবা অমদি মখা তানা থুংলগদৌরিবা পেসেঞ্জর খুদিংমক ওষ্ট্রেলিয়া গভর্ণমেন্টনা তরাম্না ওকই। লৈবাক অদুগী মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবা হায়বসি গভর্ণমেন্টকী মথৌনি। অদুমওইনমক গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকা মরী লৈননা পায়খৎলকপা থবক থৌরম কয়া মীয়াম্না মতেং পাংবা ৱাৎপগী মমি চাওনা উরি। মসি লাইবকথিবনি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননসু ওষ্ট্রেলিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপা থিংনবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং মতম মতমগী মতুং ইন্না পায়খৎলি। মহাক্কী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন সিটিজেনশিং লৌথোক্লবা থবক পায়খৎখিবনি হায়রি।

## কানদাহারদগী য়ু এস ক্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোকখ্রে: আর্মী

কানদাহার, মে ১৪ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা কানদাহার এয়র ফিল্ডদগী য়ু এসনা মখোয়গী ক্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোকপা লোইখ্রে। কানদাহার এয়র ফিল্ডদা লৈবা মিলিটরি বেজ অসি অফঘানিষ্টানদা লৈবা য়ু এস ক্রুপশিংগী খ্বাইদগী চাওবা অনীশুবা মিলিটরি বেজনি হায়না য়ু এস ফোর্সকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কানদাহার প্রোভিন্স অসি টালিবান লালহৌবশিংগী হৌরকফমনি হায়না মালেমগী মীয়াম্না থাজনরি। হায়রিবা মফম অসিদা য়ু এসনা মতেং পাংবা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা মতম শাংনা খূৎ থোক্লদুনা লাকখিবনি। হৌখিবা চয়োলদা য়ু এসনা কানদাহার মফম অয়াম্বদা এয়র ষ্ট্রাইক চথুদুনা টালিবান লান্মীশিং মফম অদুদগী মপুং ফানা তান্থোকপা ঙমখিবনি। টালিবান লান্মীশিংনা কানদাহারবু অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা মপুং ফানা পায়শিনখ্রে হায়না লাউথোক্ত্রবসু মফমদুদা মখোয়গী ওইবা বেজ কেম্প অমত্তা লৈত্রে।

অমরোমদা মফমদুদগী য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোকখিবগা লোয়ননা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা য়ু এসনা ওকুপাইদ তৌদুনা লৈরম্বা মফমশিং অদু খূৎশিন্নরমখ্রে হায়রি। য়ু এসনা মফমদুদগী মখোয়গী ক্রুপশিং লৌথোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লালহৌবশিংগী মথক্তা ওপরেসন চথুবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরগনি হায়না মশক মমিং তাকথোক্তবা অফঘান ফোর্স অমনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নুমিদাংগী মতমদা মখোয়গী এয়র ক্রাফশিংনা মথৌ তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি হায়রি।

## য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি



য়ুনাইটেদ নেসন্স, মে ১৪ (এজেন্সী) :

ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগা মরী লৈননা ঙসি য়ুনাইটেদ নেসন্স সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু য়ু এসনা নুমিৎ খরা য়ৈথোক্লবা হায়জরকপগী মতুং ইন্না লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মীফম অদু পাঙথোক্লগনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা লৈবাক অদুগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকন্না ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী দিপ্লোমেটশিংগা শান্নরিবা ৱারী অদুগী চপ চাবা অমা খঙলবা মতুং মীফম অদু পাঙথোক্লবা হায়খিবনি। য়ু এসনা ফোঙদোকখিবগুম টুনিসিয়া, নোরৱে অমসুং চাইনানসু মীফমগী মতম য়ৈথোক্লবা য়ু এনদা হায়খিবনি। য়ু এস অমসুং ইজরেল ঙল্লিবঁগে মতমদগী অফবা মরী লৈনবা লৈবাক ওইদুনা লাক্লি।

অদুমওইনমক পেলিষ্টিনিয়ন অমসুং ইজরেলগী মরক্তা য়াম্না তোয়না থোক্লিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদবা মীচম কয়া শিহনখিবা অদুবু জো বাইদেননা লুচিংবা এদমিনিষ্ট্রেসন্না নুংনাংবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইজরেলদা খূৎ থোক্লবা লেপ্পবা খঙহনখিবনি। য়ু এসতা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা লেপ্পবা খঙহনখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি। ঙসিসু গাজা ষ্ট্রিপতা ইজরেল ফোর্সশিংনা নোংথক য়াওনা অকনবা লান্দা চথুখি।

## চহী ১৪-৪৪ গী মীওইশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রে

য়ু এস, মে ১৪ (এজেন্সী) :

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা চহী ১৪-৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ঙসিদগী ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থৌওং মপুং ফানা চথুবা হৌখিবগা লোয়ননা মখা তানা চহী ১২ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংসু কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা শেম শাবা হৌরে হায়রি।

কোভিদ-১৯ গী অহানবা ৱেভতা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং ফংখিবা লৈবাক অমা ওইরিবা য়ু এসতা তপ্না তপ্না লায়না লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙল্লক্লি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা চহী নৌরিবা অঙাংদগী হৌরগা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোক্লবা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। ভেক্সিন কাপথোকপা অসিনা লায়না লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌবদা মতেং পাংগনি হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্নসু মখোয় মখোয়গী চহী নৌরিবা অঙাংশিং পুথোরক্তুনা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন কাপথোকনবা আপীল তৌরকখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসি মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা মীয়ামগী থৌদাং য়াম্না চাওই হায়রি। অমরোমদা ইন্দিয়াদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদসু য়ু এসনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা হোৎনরি হায়নসু ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

## ইকনমিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা য়ু এসনা ওষ্ট্রেলিয়াবু কৈদৌনুংদা থাদোক্লোই



ৱাশিংটন, মে ১৪ (এজেন্সী) :

চাইনা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরক্তা ইকনমিগা মরী লৈনবা হীরম খরদা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুং হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা চাইনাগী মায়োক্তা ওষ্ট্রেলিয়াবু মতোমতা থাদোক্লোই হায়না য়ু এসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকন্না ফোঙদোকখিবদা ৱাশিংটন অমসুং কেনবেরা অনীগী মরক্তা ঙল্লিবঁগে মতমদগী হৌরগা অফবা মরী লৈনদুনা লাক্লি।

চাইনা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরক্তা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ওষ্ট্রেলিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর মেরিস পাইনগা মহাক্কা টেলিফোনগী খূত্থাংদা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নখিবা অদুদা য়ু এসনা ওষ্ট্রেলিয়াগীদমক্তা মতম পুম্বদা লেপ্পি হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে হায়রি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী থমবা হায়বসি অমনা অমগী খূত্থাংদগী খুদোংচাবা লৌবা হোৎনবা অদু খক নত্তে। লৈবাক অমনা খুদোংচাদবা ফীভম অমদা লাকপা মতমদা চিংনবা লৈতনা মতেং পাংবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। লৈবাক অনীগী মরক্তা হেন্না ফবা মরী লৈহন্নবগীদমক য়ু এসকী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিগনি হায়রি।

## মোস্কতা বোম পোকখায়হন্দুনা অফঘান ১২ হাৎখ্রে

কাবুল, মে ১৪ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলগী মনুং হঞ্জিনবা মফম অমদা লৈরিবা মোস্ক অমদা মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না লাই খুরুম্লিঁগেদা খঙহৌদনা পোকখায়রকখিবা বোম অমনা মরম ওইরগা মীওই ১২ শিখ্রে অদুগা কয়া অমনা শোকহনখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু সকার দারা দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা থোকখিবনি। অফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবান ফোর্স অনীগী মরক্তা নুমিৎ হুমনি খূৎ থোক্লবা লেপ্পা হায়না য়ানখ্রবা মতুং ঙসি নীনিশুবা থৌদোক্তা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা কাবুল পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় ফরদোজ ফরামর্জনা ফোঙদোকখিবদা পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং অদু হান্ননা বোক্স মনুংদা থম্লম্বা ওইরম্বা য়াই। লাইশঙদা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক চথুখিবা অসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। লালহৌবশিংনা মীয়ামদা অকি অখং পোকহন্নবগীদমক চথুখিবা থৌদোক ওইরম্বা য়াই।

টালিবান অমসুং অফঘান গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা লেপ্পা হায়না য়ানখ্রবসু লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোকপদি লেপত্রি। নাকল অনীগী মরক্তা য়ানখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা থোকখিবা থৌদোক খরদা শিখিবা মশীং পুন্না ১১ শুখ্রে।

অমরোমদা টালিবানগী মায়কৈদগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রবসু অফঘান গভর্ণমেন্টনদি ঙসিগী লাইবকথিবা থৌদোক অদু টালিবান লালহৌবশিংনা চথুখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

## ইন্দোনেসিয়াদা য়ুহা হাখ্রে

জকারটা, মে ১৪ (এজেন্সী) :

ইন্দোনেসিয়াগী মনুং চনবা সুমাত্রাগী নোংচুপথংবা শরুক্তা ঙসি মেগনিচুদ ৬.৬ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেট জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোরক্লি। য়ুহা হাখিবা অদুনা মরম ওইরগা মনাক নকপা আইলেন্দদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা চাওনা মীপায়নবা পোকহনখ্রে। অদুমওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীশি মীনা নৎত্রগা অকায় অতোয় থোকখিবগী পাউ লাকপা লৈত্রি। ইন্দোনেসিয়াগী তোঙান তোঙানবা আইলেন্দশিংদা লৈরিবা মৈগী চীংশিং খঙহৌদনা পোকখায়রকপা অমদি য়ুহা হাবগী থবকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। মসিনা মরম ওইরগা মৈগী চীং মনাক নক্লা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহল্লি। অদুমওইনমক রেস্ক্যু ৱাকরশিংনা মতম পুম্বদা য়ুহা হাবা অমদি মৈগী চীং পোকখায়বনা থোকহল্লকপা খুদোংথিবশিংদগী ঙাক্লবা শেম শাদুনা লৈরি।

## গাজা ষ্ট্রিপতা ইজরেলনা টেঙ্ক, আর্টিলরি শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা এটেক চথুখ্রে

জেরুসালম, মে ১৪ (এজেন্সী) :

মালেমগী লৈবাকশিংনা ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং লেপ্পবা খঙহনখ্রবসু হমাজনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবা গাজা ষ্ট্রিপতা ইজরেল গভর্ণমেন্ট ফোর্সনা টেঙ্ক, আর্টিলরি য়াওনা নোংথক্তগী এটেক চথুখ্রে। পেলিষ্টিনিয়নশিংনসু ইজরেল তম্না রোকেট কয়া লেপ্পা লৈতনা কাপশিল্লক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটানাহুনা ফোঙদোকখিবদা ঙমখৈগী শরুক্তা অরব অমসুং জ্যুশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং লেপ্পা লৈতনা থোক্তুনা লাক্লি। পেলিষ্টিনিয়ন মিলিটেন্টশিংনা ইজরেলদা লেপ্পা লৈতনা রোকেট কাপশিন্দুনা এটেক চথুরকখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা ইজরেলনা গাজা ষ্ট্রিপতা লান দরনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

ইজরেলনা মরম লৈতনা অতোপ্পা গ্রুপশিংদা এটেক চথুবগী থবক ঙসি ফাওবদা তৌবা লৈত্রি। অদুমওইনমক হমাজ গ্রুপশিংনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথুরক্লিবা অসি মতম চানা পাউখুম পীহৌদ্রবদি ইজরেল মীয়ামগী ওইনা চাওনা অকায়বা লাক্কদবনা মরম ওইরগা ৱার প্লেনশিং য়াওনা গাজা ষ্ট্রিপতা এটেক চথুখিবনি।



হমাজ গ্রুপকী মথক্তা ইজরেল গভর্ণমেন্ট ফোর্সনা মখা তানা এটেক চথুখিগনি। হমাজনা গাজা ষ্ট্রিপ থাদোক্তুনা চৎখ্রবদি ইজরেলনা মখোয়গী ফিরেপ হন্দোকপা য়াই হায়রি। অমরোমদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌজিক ফাওবদা নাকল অনীগী মরক্তা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা পেলিষ্টিনিয়ন ১০০ হেন্না শিহনখ্রে। অদুগা ইজরেলি ৭ শিখ্রে। গাজাদা লৈবা বিল্ডিং কয়াসু এটেকশিং অদুনা মরম ওইরগা চাওনা অমাং অতা থোকখ্রে হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 161,913,623 | +83,264 | 3,360,696 | +2,486 | 140,790,573 | 17,762,354 |
| 1 | USA | 33,626,097 | | 598,540 | | 26,667,199 | 6,360,358 |
| 2 | India | 24,046,809 | +689 | 262,350 | | 20,079,599 | 3,704,860 |
| 3 | Brazil | 15,436,827 | | 430,596 | | 13,979,329 | 1,026,902 |
| 4 | France | 5,841,129 | | 107,250 | | 4,999,079 | 734,800 |
| 5 | Turkey | 5,083,996 | | 44,059 | | 4,856,763 | 183,174 |
| 6 | Russia | 4,922,901 | +9,462 | 115,116 | +393 | 4,537,634 | 270,151 |
| 7 | UK | 4,444,631 | | 127,651 | | 4,258,298 | 58,682 |
| 8 | Italy | 4,139,160 | | 123,745 | | 3,669,407 | 346,008 |
| 9 | Spain | 3,598,452 | | 79,281 | | 3,297,340 | 221,831 |
| 10 | Germany | 3,575,644 | | 86,276 | | 3,259,000 | 230,368 |
| 11 | Argentina | 3,242,103 | | 69,254 | | 2,891,435 | 281,414 |
| 12 | Colombia | 3,067,879 | | 79,760 | | 2,874,656 | 113,463 |
| 13 | Poland | 2,849,014 | +3,288 | 71,311 | +289 | 2,589,277 | 188,426 |
| 14 | Iran | 2,732,152 | +10,145 | 76,433 | +202 | 2,196,197 | 459,522 |
| 15 | Mexico | 2,375,115 | +3,632 | 219,901 | +311 | 1,895,483 | 259,731 |
| 16 | Ukraine | 2,143,448 | +7,562 | 47,620 | +287 | 1,832,601 | 263,227 |
| 17 | Peru | 1,873,316 | | 65,316 | | 1,720,665 | 87,335 |
| 18 | Indonesia | 1,734,285 | +2,633 | 47,823 | +107 | 1,592,886 | 93,576 |
| 19 | Czechia | 1,651,178 | +1,218 | 29,857 | +11 | 1,588,346 | 32,975 |
| 20 | South Africa | 1,605,252 | | 55,012 | | 1,520,878 | 29,362 |
| 21 | Netherlands | 1,583,767 | | 17,413 | | 1,346,612 | 219,742 |
| 22 | Canada | 1,312,414 | | 24,825 | | 1,212,114 | 75,475 |
| 23 | Chile | 1,266,601 | | 27,520 | | 1,204,176 | 34,905 |
| 24 | Iraq | 1,132,092 | | 15,883 | | 1,028,627 | 87,582 |
| 25 | Philippines | 1,131,467 | +6,784 | 18,958 | +137 | 1,053,523 | 58,986 |
| 26 | Romania | 1,070,605 | +835 | 29,413 | +105 | 1,022,029 | 19,163 |
| 27 | Sweden | 1,037,126 | | 14,275 | +36 | 878,169 | 144,682 |
| 28 | Belgium | 1,026,473 | +2,890 | 24,645 | +15 | 897,904 | 103,924 |
| 29 | Pakistan | 873,220 | +2,517 | 19,384 | +48 | 780,438 | 73,398 |
| 30 | Portugal | 840,929 | | 16,999 | | 801,961 | 21,969 |
| 31 | Israel | 839,076 | +17 | 6,379 | | 831,922 | 775 |
| 32 | Hungary | 796,390 | +1,190 | 29,041 | +71 | 608,891 | 158,458 |
| 33 | Bangladesh | 779,535 | +848 | 12,102 | +26 | 720,471 | 46,962 |
| 34 | Jordan | 722,754 | | 9,203 | | 710,410 | 3,141 |
| 35 | Serbia | 704,398 | | 6,629 | | 671,361 | 26,408 |
| 36 | Switzerland | 679,510 | +2,300 | 10,729 | +1 | 617,283 | 51,498 |
| 37 | Japan | 665,547 | +6,874 | 11,255 | +90 | 579,446 | 74,846 |
| 38 | Austria | 635,780 | +887 | 10,455 | +11 | 612,523 | 12,802 |
| 39 | UAE | 542,158 | | 1,623 | | 522,356 | 18,179 |
| 40 | Lebanon | 534,968 | | 7,569 | | 492,270 | 35,129 |
| 41 | Morocco | 514,670 | | 9,091 | | 502,205 | 3,374 |
| 42 | Malaysia | 462,190 | +4,113 | 1,822 | +34 | 418,897 | 41,471 |
| 43 | Nepal | 431,191 | | 4,466 | | 321,518 | 105,207 |
| 44 | Saudi Arabia | 430,505 | | 7,122 | | 414,139 | 9,244 |
| 45 | Bulgaria | 413,320 | | 17,194 | | 360,002 | 36,124 |
| 46 | Ecuador | 405,783 | | 19,442 | | 342,878 | 43,463 |
| 47 | Slovakia | 387,162 | +294 | 12,168 | +33 | 370,076 | 4,918 |
| 48 | Belarus | 373,351 | +1,109 | 2,681 | +10 | 363,873 | 6,797 |
| 49 | Greece | 371,712 | | 11,266 | | 333,892 | 26,554 |
| 50 | Panama | 369,455 | | 6,288 | | 358,358 | 4,809 |
| 51 | Kazakhstan | 353,140 | +2,549 | 4,017 | +33 | 310,168 | 38,955 |
| 52 | Croatia | 349,084 | +926 | 7,664 | +41 | 334,206 | 7,214 |
| 53 | Azerbaijan | 328,668 | | 4,742 | | 311,198 | 12,728 |
| 54 | Georgia | 327,831 | +1,390 | 4,397 | +18 | 307,334 | 16,100 |
| 55 | Bolivia | 324,868 | | 13,345 | | 266,512 | 45,011 |
| 56 | Tunisia | 324,823 | | 11,693 | | 284,754 | 28,376 |
| 57 | Paraguay | 307,457 | | 7,427 | | 254,360 | 45,670 |
| 58 | Palestine | 303,270 | | 3,401 | | 288,891 | 10,978 |
| 59 | Kuwait | 289,243 | | 1,674 | | 274,554 | 13,015 |
| 60 | Costa Rica | 279,926 | | 3,514 | | 219,105 | 57,307 |